চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

IMPHAL, THURSDAY, 7 APRIL 2016
শগোলশেল, লমতাগী থাশি

e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 130 Page : 8 | Price: 3.00

NONGMA PANBA TATASKY FREE
SAMSUNG 40"LED
FREE SAMSUNG MICRO WAVE ₹ 6100/-
SAMSUNG 40"LED ₹ 39999/-
ALSO AVAILABLE
SAMSUNG 32"LED ₹ 23999/-
FREE SAMSUNG MICRO WAVE ₹ 6100/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, KHOYATHONG RD., ANAND HOTEL

TATA SKY FREE
LED 40HH = ₹ 28500/-
LED 32" (3 YRS) = ₹ 18000
3 YRS WARRANTY
20" HD READY TV = ₹ 8600
22" FULL HD TV = ₹ 11000
24" FULL HD TV = ₹ 12000
32"+ SAMSUNG DVD = ₹ 19500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ 8290 = ₹ 7600
7.2KG H13 ₹ 9990 = ₹ 8500
7.3KG ₹ 11690 = ₹ 9500
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 10200
150LT REFRIG: = ₹ 8700
170LT REFRIG: = ₹ 9800
190LT REFRIG: = ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.



ইন্দষ্ট্রিয়েল এক্সপো ২০১৬গী হুন্নি চনবা নুমিৎতা হেন্দিক্রাফট দে হায়না পাঙথোকখিবদা থৌরমদা মিনিষ্টরনা খুৎহৈবা অমদা ষ্টেটনা শঙখঙবা উৎতুনা শক্তাকচে অমদি শেলগী মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখিবা।

জে সি আই এল পি এসনা চথরকপা দ্রাইবকী শরুক অমা ওইনা ঙরাং মপানগী শিন্মীশিং পরেং লেপহন্দুনা ব্রুমেন ব্রিং টিম য়াওনা ভেরিফিকেসন তৌবা



ঙসিগী অঙৌং–অশা : শাবগী চাং ঃ ৩৯° সি, ঈংবগী চাং ঃ ১৯° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ২৯ | নোংজুগী চাং : ৪ এম এম

## ব্রাখলগী চিঙ্গাক

অদোমগী পুন্সি অদু অদোম্না নমজবা ফিল্ম অমগুম্বনি। অদোমগী পুন্সিদু অদোম্না ওইহন্নিংবা মওংদা ওইহনবা য়াই

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫

## লোইরেদনা

নোংদি তাবা হৌদা ঙাইরি, মখোয় লাকপা হৌরব্রা? ভোটতি পীনিংদে, ঐ লৈতে মপান লমদা চৎখি হায়য়ু।



সার, খজিত্তংদি খনবীয়ু, সোসিয়েল ব্রার্কর অনৌবা অমা লৈবনিকো ভোট কুইদ্রেকো

# অব্রাং নোংপোক্তা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকী ব্রার্নিং পীখ্রে চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতদি মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৬ ঃ লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইন্দিয়াগী অব্রাং নোংপোক রিজন অমসুং বঙ্গলাদেশকী শরুক খরদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তোর্নাদো লাকপা য়াবগী ওইথোকপা খুদম ফংলে হায়না ব্রার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ব্রার্নিং পীরকখ্রে। ব্রার্নিং অসি য়েংলগা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা দি সি ওফিসকী এ দিনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

অকনবা নোংলৈ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং ত্রিপুরাদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। দব্লিউ এম দিগী সেটিলাইট ইমেজগী মতুংইন্না নোংপোকথংবা ইন্দিয়ান ওসিন্দগী অব্রাং পাঙনা শিংলকপা অশাবা নুংশিৎনা ইন্দিয়াগী অব্রাং নোংপোক রিজনগী অকোয়বদা শিৎলিবা জেট ষ্ট্রিমগা থেংগায়নদুনা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা পুংদা মিটর ১৬০গী চাংদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিংলবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। হায়রিবা নুংশিৎ অসিনা অপীকপা কার মথক মখা ওলহনবা, অব্রাংবা উপাম্বীশিং মরু ফুক্তোকপা অমসুং ফিভম শোক্লবা বিল্ডিংশিং অমাং অতা থোকহনবা য়াই হায়রি।

দব্লিউ এম দিগী মকোকথোংবা অমনা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা সাইক্লোন অসি থোকপা তারবদি চীংগী লমদা সাইক্লোন থোকপা অসি মালেমগী মনুংদা অহানবা ওইগদৌরিবনি হায়খি। লোয়ননা দব্লিউ এম দিনা মীয়াম শাফগদবা মফমদা লৈনবসু খঙহনখি।

দব্লিউ এম দিগী ব্রার্নিং অসি য়েংলগা দিপ্যুটি কম্মিস্নার চুরাচান্দপুরগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার টি কে সিমতেনা থোকপা নোটিশকী মতুংইন্না দব্লিউ এম দিগী ব্রার্নিং সি লৌথোক্লিবা ফাওবা শাফগদবা মফমশিংদা লৈনবা খঙহনখ্রে।

ব্রার্নিং অসিগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট রেস্পোন্দ টিমগী মেম্বরশিংসু মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা নেচরেল দিজাষ্টর হেক থোকপগা মফম অদুদা চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈনবা ব্রাফমসু চেরোল অদুদা পাল্লি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী অব্রাং নোংপোক ষ্টেটশিং অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা প্রি মোন্সুনগী নোং চুবগী চাং নুমিৎ খরনি অসিদা হেনগৎলক্লি। নোং অসি মপুং ওইনা খা নোংপোকথংবা চিদায়গী শরুক মপুং ওইনা ত্রিপুরা, মিজোরাম, মেঘালয় অমসুং খা নোংপোক থংবা অসামগী শরুক্তা মপুং ওইনা তারি।

অব্রাং নোংপোকথংবা ইন্দিয়াদা চুরিবা নোং অসি নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং বঙ্গলাদেশকী শরুক্তা সাইক্লোনিক সার্কুলেসনগা লোয়ননা চৎলিবনি। ফিভম অসি হৌজিক আসাম অমসুং মেঘালয়া রিজনলোমদা হায়গৎলক্লি।

...মখা লমায় ৫ দা

# ৩৭ শুবা বি জে পিগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে পার্টিগী আইদিওলোজি খঙনা থবক তৌবা তাইঃ প্রহ্লাদ

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৬ ঃ লৈবাক অসিদা ভারতিয় জনতা পার্টি লিংখৎখিবগী ৩৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু পার্টি অসিগী নিত্যায়পাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস য়াওনা মন্দলশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। পার্টি অসিগী ব্রার্কর খুদিংমক্না পার্টিগী আইদিওলোজি খঙনা অমসুং মদু ঙাক্না থবক তৌবা তাই হায়না পার্টি অসিগী নেসনেল এক্সিক্যুটিব মেম্বর অমসুং মণিপুর ইন চার্জ প্রহ্লাদ পটেলনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, বি জে পি অসি লৈবাক অসি কন্নবগীদমক শেমখিবা পার্টি অমনি। কনাগুম্বনা লৈবাক অসি কনবা পান্নবদি বি জে পিদা য়াওবিয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পার্টি অসিদা য়াওরবা মীওই খুদিংমক্না পার্টিগী আইদিওলোজিদা থাজবা থম্বা তাই অমসুং পার্টিগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা শরুক য়াবা তাই। করিগুম্বা পার্টিদা য়াওরগা পার্টিগী থবক থৌরমশিংদা য়াওদ্রবদি মহাকপু করম্না পার্টিগী অশেংবা ব্রার্করনি হায়না লৌগনি।

পার্টি অসিগী ওইনা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা পালন থৌরম কয়া লৈরি। এপ্রিল ১৪দা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন ইরম্বা ডা. ভিমরাও রামজি অম্বেদকরগী মপোক কুমওন থৌরম, জুন ২৩দা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী মপোক কুমওন, সেপ্তেম্বর ২৫দা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায়গী মপোক কুমওন থৌরম অমসুং মণিপুরগী অথৌবা মীওই অনীগা মরি লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোকপা মতমদা ষ্টেটকী থাক্তদা পাঙথোকপা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট, মন্দল অমসুং বুঠকী থাক্তা পাঙথোক্লবা আপীল তৌখি।

অদুবু মণিপুরদা পার্টি য়ুনিট অসি নৌনা শেমগৎলকপা অসি য়েংলগা এপ্রিল ১৪গী থৌরম অসি এসেমব্লি সেগমেন্ট ৫ খক খনগৎলগা মদুদা বুঠকী থাক ফাওবদা পালন থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎননবা আপীল তৌখি। লোয়ননা পার্টিগী লুচিংবশিংনা বুঠকী থাক ফাওবদা

...মখা লমায় ৫ দা

# ব্রার্ক কলচর শাগৎতুনা মফম অমদি মতম নিংথিনা শিজিন্নরবদি চাওখৎপনি হায়গনি ঃ গোবিন্দাস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৬ ঃ ব্রার্ক কলচর শাগৎতুনা মফম অমদি মতম নিংথিনা শিজিন্নরবদি শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্কুনা তংদু লৈতাগনি। তংদু লৈতাবা হায়বদু লাক্লবদি চাওখৎপনি হায়গনি হায়না কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখ্রে।

লম্বোইখোঙনাংখোংদা চথরিবা অহানবা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল এক্সপো ২০১৬গী হুন্নি চনবা নুমিৎ ঙসি হেন্দিক্রাফট দে হায়না পাঙথোকখিবদা মিনিষ্টরনা হায়, থব্রায় য়াওনা তৌগে হায়না তৌরবদি পুন্নমক ঙম্মী। থবক অমা পাঙথোকপদা তঞ্জাই তঞ্জাই তৌবসিগী মহুৎ মপুং ফানা পাঙথোক্লবসি শেনফমসু মপুং ওইনা ফংগনি। গভর্নমেন্টকি থৌরাং অমগী মতুংইন্না হেন্দলুম ক্লষ্টরশিংদা শেনফম থাদনবা শেম শানবা লৈরি। মেগা হেরিটেজ ক্লষ্টর হায়বদি মীওই ৫০০দগী তাদবা ক্লষ্টরদা লুপা ক্রোর অনিগী শেন্থং থাদগে হায়রে। মীওই ২৫০দগীনি ৫০০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মেদিয়ম ক্লষ্টরশিংদনা লুপা ক্রোর ১.৫০ অমসুং মীওই ১০০দগী ১৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মিনি ক্লষ্টরশিংদনা লুপা ক্রোর ১গী শেন্থং পীথবগী অয়াবসু লৈ।

মহক্না ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগুম্বা মফমদদি হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট অমদি ফুদ প্রোসেসিংনচিংবগী অপিক অপিকপা ইন্দষ্ট্রি হায়বদি স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রিশিংদা মিৎয়েং চংদুনা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুরগী খৎহৈবশিংগী মরমদা খঙলকপদগগী মফমসিগী মীয়াম্না পুথোকপা পোৎলমশিং মপান লমগী মীওইশিংনসু পান্নবা হৌরক্লে। মথৌ তাবা চাং পীয়ু হায়না হায়রকপা অদু মতম চানা অপাম্বশিং মফমদা য়ৌহনবা ঙমগদ্রা হায়বসি অচৌবা অকিবা অমা ওইরি।

খুৎহৈবশিংনা করিগুম্বা এরিয়া অমদা তাশিন্দুনা লৈবগী মহুৎতা অনৌবা অমদি পান্নবা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদবা লৈ। নিংথিনা শেম শাদুনা পুথোক্লবা পোৎশক অমা উথোকপদা পেকেজিং অমদি মার্কেটিংগী লৌশিং লৈবগী

...মখা লমায় ৫ দা

# লেবর কার্দ পায়দবশিংগী মথক্তা লেপতনা দ্রাইব চথরি, মীওই ১২১ পুলিসতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ঃ ‘দি ইন্টর–ষ্টেট মাইগ্রেন্ট ব্রার্কমেন (রিগুলেসন ওফ ইমপ্লোইয়ি এন্দ কন্দিসন ওফ সার্ভিস) এক্ট, ১৯৭৯’গী মখাদা লেবর দিপার্টমেন্টনা মণিপুরগী মপানদগী লাকপা শিন্মিশিংদা পিগদবা লেবর কার্দ পায়দবশিংগী মথক্তা জে সি আই এল পিনা লেপ্তনা দ্রাইব চথরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লাঙ্গোলদা লৈবা নেস্নেল ইনষ্টেট্যুট ওফ টেক্নোলোজি(এন আই টি)গী বিলদিংনচিংবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক শুরিবা মপান্দগী লাকপা শিন্মিশিংগী মথক্তা দ্রাইব চথখ্রে। মদুদা লেবর কার্দ পায়রমদবা শিন্মি ১২১ ফাগত্তুনা মনাক নকপা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

মণিপুরদা মপান লমদগী মফম মরাং খংদনা নোংমা কাঙদনা ঈশিং ইচাওগুম চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং অসি মতৌ করম্না থিংগদগে হায়দুনা চংশিল্লক্লিবা খোংজং অসিদা মীয়াম্নসু কোওপরেসন পিবিবা মথৌ তাই হায়না দ্রাইব অদুগা মরি লৈননা জে সি আই এল পি এসকী এসিষ্টেন্ট কনভেনর ওর্গানাইজেসন হয়াতুর রহমন য়ুমখাইবমনা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং১ রোম তাবদগী হৌদুনা জে সি আই এল পি এসকী ব্রুমেন ব্রিং অমদি ষ্টুদেন্ট ব্রিংগী মীহুৎশিং য়াওনা জে সি আই এল পি এসনা লাঙ্গোলদা লৈবা এন আই টিদা চথখিবা দ্রাইব অদুদা মপান্দগী লাক্কুনা মফমদুদা থবক শুরিবা শিন্মিশিং অমমমতা ওইনা ভেরিফিকেসন চথখি। মদুদা মশাগী শক্তাক চে অমাফাওবা য়াওদবা ১২ য়াওনা লেবর কার্দ পায়দে হায়বা

...মখা লমায় ৫ দা

